



# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL,THURSDAY, SEPTEMBER 22, 2016 PAGE 7




*লৈবাকপোকপা নুমিত্তা শান্নখিবা লীগ কপতা ইংলিস প্রেমিয়র লীগ চেম্পিয়ন লৈকেষ্টর সিতিবু চাওনা মায়থিবা পীবদা গোল চনবা ঙমখিবা সেস ফেব্রিগাসনা নুঙাইবা ফোংদোকপা*

*ইতিহাসিক ওইগদবা ইন্দিয়ানা ক্রিকেট টিমগী ৫০০ শুবা টেষ্ট মেটচ মীৎয়েং তানবা বি সি সি আই গী বার্ত্তন ফংবদা পুন্সি চুপ্পা বেন তৌরবা হান্নগী মহম্মদ অঝারউদ্দিন না নুংঙাইবা ফোংদোকপা*

## টেষ্ট ওপন রেঙ্কিং টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬

থৌবাল , সেপ্টেম্বর ২১ঃ

থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসন (টি দি টি টি এ) না মণিপুর টেবল টেন্নিস এসোসিয়েসন গী মীৎয়েং মখাদা থা অসিগী ১৫ দগী ১৮ ফাওবা থৌবাল ৱাংমাতবদা লৈবা টি দি টি টি এ গী ইন্দোর ষ্টদিয়ম দা চংথখিবা টেষ্ট ওপন টেবল টেন্নিস টুর্নামেন্ট ২০১৬ ঙসি অরোইবা ফাইনেল মেটচ শিং শান্নদুনা লোইশিনখে।

ঙসি টুর্নামেন্ট অসি লোইশিনবগী থৌরমদা চিফ মিনিষ্টর ও ইবোবি, পর্লিয়ামেন্টরী সেক্রেটরী এম এল এ কে মেঘচান্দ্র, টি দি টি টি এ গী ফাউন্দর প্রসিদেন্ট ঐচ গম্বির অমদি টি দি টি টি গী প্রসিদেন্ট এল ইবোচৌ না অথোইবা মিথুংশিং ওইনা শরুক য়াখি।

হৌজিক পাল্লিবা সরকার অসিনা পীকলবা মণিপুর অসিবু মিং চৎ পুরকখিবা শান্নরোই কয়াবু মাগী মাগী চান্নবা ইনসেন্টিব কয়া পীদুনা লেপতনা পুক্নিং থৌগৎলি। দিষ্ট্রিক্টশিংদা শান্নরোইশিংগী খন্দুনা মিনি স্পোর্টস কম্পেক্স কয়া শাবগী থবকসু পায়খৎখ্রে। হৌজিকসু মখা তানা অদুমক পায়খৎখিগনি। থৌবাল কেন্দ্র অমদি ৱাংখেম কেন্দ্র অনিগী শান্নরোইশিং না পুন্না শান্নমিন্নবা য়াবা লুপা ক্রোর ১৪ রোম চঙনা শাগদবা মল্টিপরপস ইন্দোর ষ্টদিয়ম অমসু শান্নবা থবক থৌরমশিং লোইরে হায়না ফোংদোক্লদুনা হকচাং ফনা লৈনবা অমদি মতিং লৈবা মীওই অমমম ওইনবা ঙসিগী নহারোলশিংনা কন্না হোৎনসি হায়বা ৱাফমশিং ফোংদোক্লমখি।

লীগ কপ নোকআউট বেসিস তা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা ইম্ফাল ইষ্ট, ইম্ফাল ৱেষ্ট থৌবাল, একাউন্টেন্ট জেনরেল টেবল টেন্নিস ক্লব অমদি মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব কী নুপা শান্নরোই ৮৮ অমদি নুপী শান্নরোই ৪৭ পুন্না শান্নরোই ১৩৫ না টুর্নামেন্ট অসিদা শরুক য়ারি।



## ২১ শুবা এন ববানন্দ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ এম পি ঐচ ৱাই এ না এ ৱাই সি বু ৩–০ দা থোইখ্রে

বিষ্ণুপুর , সেপ্টেম্বর ২১ঃ

দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিয়েসন, বিষ্ণুপুরগী মখাদা মিনি ষ্টদিয়ম, বিষ্ণুপুরদা পাংথোকখিবা ২১ শুবা এন ববানন্দ সেকেন্দ দিভিজন ফুটবোল লীগ ২০১৬ তা শান্নখিবা অহানবা মেটচতা এম পি ঐচ ৱাই এ না এ ৱাই সি বু পাঞ্জল ৩–০ দা মাইথিবা পীখ্রে। মায় পাকপগী গোলশিং অদু এম পি ঐচ ৱাই এ গী বিদ্যাসাগরনা শান্নবগী ৪৬ শুবা মিনটতা গোল ১ অমদি জর্শি নম্বর ৭ রোবিন্সননা ৪২ অমদি ৫০ শুবা মিনটতা ২ চনখিবনি। ঙসিগী শান্নখিবা মেটচ অদুগী সেন্টর রেফরি এল প্রেমচান্দনা ওইখি। মহাকপু এসিষ্ট তৌখিবা রেফরিশিংনা বিজেন অমদি পুন্সিনি ফোর্থ রেফরিনা দব্লিউ ইবোয়াইনি। মেটচ অদুগী কম্মিস্নারনা টি ঐচ তেজমনি সিংহ নি অদুগা রেফরি ইন্সপেক্তরনা টি ব্রোজেন্না ওইখি হায়রি।



STATE OPEN RANKING TABLE TENNIS TOURNAMENT,2016

DISTRIBUTION OF PRIZES

| Sl.No. | Events / Title | Cash Prize (in Rs) | Donor | Winner/R-up |
|---|---|---|---|---|
| 3 | Mans' Singles (Winner) I.S.Akoijam Memorial Cash Prize | 4500 | Ak.Bojen Meetei and his family, Thoubal Wangmataba. | L.BIKRAM-MPSC |
| 4 | Mans' single( Runners-up) Thoudam (o) Juboti Memorial | 3500 | Th.Guni Singh(MCS) and his family Thoubal | TH.DHARMENDRA AG |
| 27 | Youth Girls' Single( Winner) Akoijam Birendra Memorial Cash | 3000 | Nongthombam(n) Ak(o) Manglembi Devi,Keishamthong | H.Senerita-TBL |
| 28 | Youth Girls' Single(Runners-up) Ak.Lilabati Memorial Cash Prize | 2500 | Akoijam (n) Asem (o) Gouritombi Thoubal | M.Bindia-IW |
| 29 | Youth Boys' Single(Winner) Okram Herojit Memorial Cash | 3000 | Ok.Ibopishak Singh and Sagolsem(n) Ok(o) Tharoshang | KENAO K(IW) |
| 30 | Youth Boys' Single( Runners-up) H.Toman & Nupimacha Memorial | 2500 | Hijam Jamuna Devi,Councillor,TMC. Ward | W.LANTHOIBA (TBL) |
| 31 | Best Discipline Player of the Tournament- Boys Ningombam | 3000 | Ningombam Gojen Singh Thoubal Ningombam | H.YAIPHABA-TBL |
| 32 | Best Discipline Player of the Tournament-Girls W. Mangisana | 3000 | Waikhom Subhas Singh and his family Thoubal wangmataba, | A.RENSHI- TBL |
| 33 | Best Promising Player of the Tournament-Boys Salam | 3000 | Salam Somorendro Singh,MFS, Sagolband Sayang,Imphal | W.LANTHOIBA-TBL |
| 34 | Best Promising Player of the Tournament-Girls Ningombam | 3000 | Ningombam Gojen Singh Thoubal Ningombam | H.YAIPHABI-TBL |
| 35 | Youngest player amongst the boy | 1000 | | Lamjingba Leitanthem |
| 36 | Youngest player amongst the girl | 1000 | | H.Liya (IE) |

## লীগে–১ গী মেটচ অমদা মমাঙগী চেম্পিয়ন পেরিস সেন্ট জর্মেন্না দিজোনবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা



*পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মায়কৈদগী অনীশুবা পাঞ্জল চনবা ঙমখিবা ইদিসন কবানি (য়েৎতগী ২ শুবা) না হরাওবা ফোঙদোকপা*

পেরিস, সেপ্টেম্বর ২১ঃ

ফ্রান্সকী ফুটবোল লীগশিংগী মনুংদা মকোক থোংবা লীগ টুর্নামেন্ট ওইরিবা লিগে–১ গী ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা মেটচ অমদা মমাঙ সিজনগী চেম্পিয়প পেরিস সেন্ট জর্মেন্না দিজোন ফুটবোল ক্লবপু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। খ্বাইদগী নক্লনা লৈরিবা মোনাকোবু অকনবা প্রেসর পীবা ঙমখ্রে।

ঙরাং পেরসিকী পার্ক দেজ প্রিন্সেস ফুটবোল গ্রাউন্দদা শান্নখিবা মেটচ অদুদা নৌনা লীগে–১ দা প্রমোসন ফংলকখিবা দিজোন ফুটবোল ক্লবপু পেরিস সেন্ট জর্মেন্না পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিখিবা পীখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা পাঞ্জল অদু পি এস জিগী মায়কৈদা গিজেনগী শান্নরোই অদাম লাংনা ১৫ শুবা মিনিটতা শোয়বদগী চনশিনজখিবা গোল অদুনা ওইখি।

শান্নবগী ২৬ শুবা মিনিটতা পেরিস সেন্ট জর্মেনগী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা ইদিসন কবানিনা পাঞ্জল অমা পেনাল্টিগী মতেংদগী চনবা ঙমদুনা দিজেনবু মখোয়না পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাখি।

মখা তাবা মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফ লোইশিল্লবা ফাওবদা পাঞ্জল চন্নবা ঙম্মদবদগী পি এস জি না দিজোনবু পাঞ্জল ২–০ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখি।

মখা তাবা অনীশুবা হাল্ফ অদুদা নৌনা ফ্রান্সকী লীগে–১ দা ক্বালিফাই ওইরকপা দিজেনগী মায়কৈদগী অহেনবা প্রেসর পীশিল্লত্তুনা পি এস জি গী দিফেন্দরশিং অদুসু য়াম্না ৱানা মখোয়গী গোল লাইন অদু থিংনবা হোৎনখি।

মমাঙগী চেম্পিয়ন পি এস জি গী লুকাস মোরানা মেটচকী ৬৭ শুবা মিনিটতা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা মেটচ অদু মখোয়না ৩–০ দা থোইখি।

## টোরে পান পেসিফিক ওপনদা ইন্দিয়া অমসুং জেক্কী জুরা অহানবা রাউন্দদা মায় পাকখ্রে

টোকিও, সেপ্টেম্বর ২১ঃ

জপানদা ঙরাংদগী চথবা হৌখিবা টোরে পান পেসিফিক ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী দবলসকী শান্নখিবা মেটচ অমদা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক্কী বাবোরা ষ্ট্রাইকোভা অহানবা রাউন্দদা জপানগী জুরা ওইরিবা মিসাকি দোই অমসুং কুরুমি নারাবু ৬–৭(৩–৭),৭–৫, ৭–৬ (১০–৮) দা মায় পাক্তুনা অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখ্রে।

ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা চথরিবা টুর্নামেন্ট অসিদা অনীশুবা সিদেদ ওইনা শরুক য়ারকখিবনি।

পনবা য়াই হন্দক্তগী পাঙথোকখিবা য়ু এস ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়থিবা নংহৌবনি।

ঙরাং অথেংবদা শান্নখিবা নুপীগী অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুদা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা জপানগী জুরা মিসাকি দোই অমসুং কুরুমি নারা অনীগী মায়কৈদগী অকন্নবা লন্না তৌনদুনা সেট ৩ মক শান্নখি।



অহানবা সেট অদুদা জুরা অনীমক্কী মায়কৈদগী য়াম্না কন্না শান্নরকখিবনা টাই ব্রেক ফাওবা শান্নরকখি। অদুবু জপানগী জুরা অদুনা ৭–৩ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাদুনা চংখি।

অহানবা রাউন্দগী মেটচ অদুগী অনীশুবা সেট অদুদা ইন্দিয়া অমসুং জেক্কী জুরা অদুনা জপানগী জুরা অদুবু ৭–৫ তা থোইদুনা সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদুদা জুরা অনীগী মায়কৈদগী সেট অদু থোইদবা য়াদবগী ফিভম অমা লৈখিবনা অকনবা লম্বা মায়োক্নরকখি। জুরা অনীনা সেট অদুসু টাই ব্রেক ফাওবা শান্নবগী তাঞ্জা অমা লাকখি। অদুবু এক্সপরিয়েন্স হেল্লবা ইন্দিয়াগী সনিয়া মির্জা অমসুং জেক রিপব্লিক্কী বার্বোরা ষ্ট্রাইকোভানা টাই ব্রেক অদুদা ১০–৮ দা থোইদুনা চথরিবা টুর্নামেন্ট অদুগী অনীশুবা রাউন্দ য়ৌবা ঙমখিবনি।

## মণিপুর ষ্টেট খো খো চেম্পিয়নসিপ হৌদোকখ্রে

থৌবাল , সেপ্টেম্বর ২১ঃ

২৯ শুবা মণিপুর ষ্টেট সব–জুনিয়র লেট পি ঐচ মণি শর্ম্মা মেমোরিয়েল ট্রোফি অমসুং ৪১ শুবা মণিপুর ষ্টেট জুনিয়র লেট এন সানয়াইবা মেমোরিয়েল ট্রোফি খো খো চেম্পিয়নসিপ ২০১৬ ঙসিদগী ককচিং পোপুলর স্পোর্টিং ক্লব (কে এফ এস সি) ককচিং খুনয়াই লৈকায়গী প্লেগ্রাউন্দদা হৌদোকখ্রে।

মণিপুর এমেচর খো কো এসোসিয়েসনগী মীৎয়েং মখাদা ককচিং পোপুলর স্পোর্টিং ক্লব (কে পি এস সি) ককচিং খুনয়াই লৈকায়গী লৈকায়না শীন্দুনা পাংথোক্লিবা চেম্পিয়নসিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা ৱাবগাই কেন্দ্র এল এম এ এম দি ফজুর রহিমা চিফ গেষ্ট, ককচিং মুনিসিপাল কাউন্সিলগী চিয়রপর্সন মোইরাংথেম ইনাখুন্বী দেবীনা প্রসিদেন্ট, মণিপুর এমেচর খো কো এসোসিয়েসনগী সেক্রেটরী মোইরাংথেম মোধুসুদন সিংহ না চিফ ওফ ওন্নর ওইখি।



থা অসিগী ২৫ ফাওবা চথগদবা চেম্পিয়নসিপ অসিগী সব–জুনিয়রগীদা মণিপুরগী তোঙান তোঙান্বা মফমশিংদগী নুপামাচগী টিম ৭, নুপীমচাগী টিম ৫ না শরুক য়ারি। সেনিয়রগীদা নুপামচাগী টিম ১৬, নুপীমচাগী টিম ৮ না শরুক য়ারি হায়রি।

## এম এস কে প্রসাদ সেলেক্তরগী চিয়রমেন হাপখ্রে

মুম্বাই , সেপ্টেম্বর ২১ঃ

য়ুমলকৈশা নুমিত্তা বি সি সি আই না সুপ্রিম কোর্টনা হাপখিবা লোধা কম্মিটি রিকম্মেন্দেসনশিং শীংনদুনা হান্নগী ইন্দিয়াগী ৱিক্কেট কিপ্পর বেটসমেন এম এস কে প্রসাদ সেলেক্টর ওইদুনা সেলেক্সন কম্মিটিগী মেম্বর মঙা নৌনা খনখ্রে। মেম্বর মঙাগী কম্মিটি অসিদা টেষ্ট–মেটচ শান্নবগী এক্সপরিয়েন্স য়াওদবা মেম্বর অনী য়াওরি হায়না ফোংদোরক্লি। হান্না ইন্দিয়াগী সাউথ জোন রিপ্রজেন্ট তৌরম্বা লোয়ননা সেলেক্টরগী পেনেলদা য়াওরম্বা প্রসাদনা সেলেক্টরশিংগী চিয়ারমেন ওইনা হান্নগী চিয়রমেন সন্দিপ পটিলগী মহুৎ শীনখ্রে।

হান্না ইন্দিয়াগী ক্রিকেটর ওইরমদুনা টেষ্ট মেটচ ৬ অমদি ৱান দে মেটচ ১৭ শান্নরম্লবা চহি ৪২ শুরবা প্রসাদ অন্ধ্র–প্রদেশতগীনি।



মহাক্কা লোয়ননা দেবাং গান্ধি, সরন্দিপ পটিল, গগন খোদা অমদি জতিন পরঞ্জপে না সেলেক্সন পেনেলদা লৈরি। পন্না য়াবদি গগন খোদা অমদি জতিন পরঞ্জপেদি টেষ্ট মেটচ অমফাওবা শান্নরকখিদবা ক্রিকেট্টরনি হায়রি। মশামক লোধা কম্মিটিগী রিকম্মেনদেসনশিংবু তশেংনা শীংনবগুম্বনি অদুবু অতোপ্পা সেলেক্টর ৩ বুদি নিংথিনা টেষ্ট মেটচ এক্সপরিয়েন্স লৈরবা ঙাক্তনি হায়রি।

অনৌবা পেনেল অসি বি সি সি আই গী ৮৭ শুবা এ নু এনুএল জেনেরেল মীটিংদা লেপ্পখিবা ৱারেপনি। নিংশিংবা য়াই–বি সি সি আইনা লোধা কম্মিটিগী রিকোম্মেন্দেসনশিং য়াবা ঙমদনা লৈরিবনি।

অমনা, হান্নগী ইন্দিয়াগী সিম্মর–ভেন্কটেশ প্রসাদ জুনিয়ার সেলেক্সন কম্মিটিগী চিয়রমেন ওইনা অমুক হন্না হাপ্লে হায়না মখা তানা হায়রি।